# চীটুৱাগী নুপী মোইরাং পবর্বা ফেষ্টিভেল–২০১৯




লমদম অসিগী নুপীশিংদি মতম খূদিংমক্তা মাঙজিন থাদুনা চৎল্লি। অফবা ইমুং অমা ওইবদা লমদম অসিদা নোংমা কাঙদনা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মাঙজিন থাদুনা শরুক য়াবা নত্তনা মাঙশিনলক্লিবা নোংমা– নোংমগী মমী শামজিনলক্তুনা পাওথাং ওইবা চাকঙাই ৱারি ওইহৌরবা লমদম অসিগী আর্টফোম কয়া য়োকখৎনবা হোৎনবদা খূমাঙ চাওশিননা চঙশিনলক্লি।

অসুম্না চঙশিনলক্লিবশিংগী মনুংদা চিং– তম য়ুনাইটেদ ৱুমেন্স এসোসিয়েসন, কৈশামপাৎ, তোপ লৈরক মচিন, টিদিম রোদ ইম্ফালনা শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী তারিক ১৫ দগী ১৯ ফাওবা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীল্লা শঙলেনদা চৎথরকখিবা অহুমশুবা 'নুপী মোইরাং পবর্বা ফেষ্টিভেল' সু অমা ওইরি।

অকাওবগী ইরোলনুংদা লূপশিনখ্রবা লমদম অসিগী তাঙলবা আর্টফোম অসিবু তেক্তা– কায়দনা অমদি মসিগী ফজরবা শক্তম মাঙখিদনবা অকনবা থৌইনশিন অমগা লোয়ননা চঙশিনলক্লিবা চীটুৱাগী হোৎনজরিবা অসিদা মীপূম তিংনা পূক্লিং থৌগৎপীফম থোকই।

অমরোমদা হৌজিক– হৌজিক ইরমদম অসিগী মমাং থৈদগী লৈরক্লবা কলচরগী ফজখ্রবা মচাক কয়া অমা য়োকখৎনবা কন্না চেন চোঙজরম্বা কয়া অমসু য়োকখৎপীনবা, শৌগৎপীনবা লৈত্তবননা তপ্না– তপ্না মাঙখিদুনা অকাওবগী ইরোলনুংদা লূপখিবসু কোঙগাইনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লমদম অসিগী ওইবা ফজরবা মচাকশিং শুনা য়ারবা মোইরাং পবর্বানা অকাওবগী ইরোলনুংদা লূপখিদনবা শুমাং লীল্লানা লৌরিবা থৌদাং অসি মরী লৈনবা লৈঙাক্না থম্মোয় শেংনা মীৎয়েং চঙবীহৌদ্রগদি লমদম অসিগী মোইরাং পবর্বাগী মারাইবক তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লোই হায়নিঙাই লৈতে।

**ঐচ রাজেসে**

চৎলিবা চহী ২০১৯ গী ওইনা চীটুৱানা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা 'নুপী মোইরাং পবর্বা ফেষ্টিভেল' অসিদা– মৈতৈ লৈমারোল আর্ট পার্ফোমিং সেন্টর ৱাঙ্খৈ, ব্রুমেন কলচরেল এসোসিয়েসন ইরোম মৈজ্রাও, চানুরা জত্রা কম দ্রমা এসোসিয়েসন ঙানপী থোং, দি ব্রেষ্টন কলচরেল সেন্টর চীঙামখা, মালোম পান্থোইবী আর্ষ্টিস এসোসিয়েসন মালোম, ইম্ফাল থিএটর ৱাঙ্খৈ, কঙজবী মৈতৈ চনু আর্ষ্টিস কম দ্রমা এসোসিয়েসন, ব্রুমেন দান্স এন্দ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন তাওথোং, য়াঙম লৈরক নুপী লীল্লা এসোসিয়েসন, হৈরাংগোয়থোং নচিংবা দোল ৯ না শরুক য়ারিবা ফেষ্টিভেল অসিগী অরোয়বা নুমিৎত্তা– ব্রুমেন দান্স এন্দ দ্রমাটিক যুনিয়ন তাওথোংগী উমেস শর্ম্মানা ইবা অমদি লমাবম প্রেমিলানা ডাইরেক্সন পীবা –

'লৈ লাঙবা অমদি য়াঙম লৈরক নুপী লীল্লা এসোসিয়েসনগী 'কঙলা ৱায়েল' উৎখ্রে।

'কঙলা ৱায়েল' হায়রিবা প্লে অসি মোইরাং কঙলৈরোলগী পরিং নাইনা চৎখরকপা ৱারিদা য়ুম্ফম ওইবা লীল্লানি।


অকনবনা অচুম্বা শকপা, ঙাংবা কনবনা খূলাকপা শকপা হায়বা পাউরৌ অসি চুমদবা নত্তে। শেঞ্জাও পায়বা শংগা লৈবশিংনা আইনবু খূৎত্তা পায়দুনা মরাল লৈজদবা মীবু মরান শীরগা মশাগী মরাল কূপশন্নবা হোৎনবা হায়শিংসু মমাঙঙৈ লাই হাক্তদগী চৎনরক্লবা ৱাফম অমনি।



মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো চীঙখূ নহা তেলহৈবগী নাইতোম পোকচবী মমোম লাঙলেন থাদোইনা কবো লোইদগী কারকপদা অঙোম নোংবানগী য়াঙ্গোয় শগোল তোংদুনা লাক্লগা খূমন খম্বাগী মরালয়াইদা ৱাইথুঙখি।

মমোম লাঙলেন থাদোইবু তনবা ফংদ্রবদা খোয়শাওনরবা নোংবননা খূমন মচা খম্বানা তম্বা নীপা ১০ ( তরা) নেক্তুনা মমোম লাঙলেন থাদোইবু অঙোম নোংবান মরানয়াইদগী ফাদুনা পূবীখরে অদুগা নোংবানবুনা ফুবা য়াবা ফুবিরম্লে হায়না কঙলা য়াইবুং য়ৈদুনা মপূ কাদা ৱাকৎখি।

কেগে ৱাথোক ওইদনা মোইরাং শারা শল্লবদা মপূ মোইরাং নিংথৌনা খম্বা নোংবান অনী কৌদুনা ৱায়েলখিবগী মতাংনি।



লীল্লা অসিদা মরুওইনা শক্তম লাঙলিবশিংদি– ও অঙৌবী দেবী, এম পূণিমশি লৈমা, এ শকুন্তলা, রাধিয়ানা ময়েংবম, সুন্দরী দেবী, এস বীমোলা, বি ললিতা দেবী, সুন্দরী দেবী, ইরেংবম চান্দনি দেবী, এম লীন্দা দেবী অমদি সনসম মেনকানি।

লীল্লা ইবনা– বি য়ুগোলচন্দ্র শর্ম্মানি। তাকপী তম্বীবনা– এম পূণিমশি লৈমানি।

চীটুৱানা অহুমশুবা নুপী মোইরাং পবর্বা ফেষ্টিভেল মায় পাক্না পাঙথোকপদা পাউ চে অসিগী মায়কৈদগী থাগৎ ৱাহৈ পীজবগা লোয়ননা মখা তানা ইরমদম খূন্নাই অসিগী থবক থৌরমশিং মখা তানা তৌবিরক্কনি হায়বগী থজবা থমজরি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE,: :SCENERY*
**A. Pratibha**
Class: VI,
Sec : A,
Roll No-16
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,:SCENERY*
**Athoibi Okram**
Class: V,
Sec : D,
Roll No-58
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE,: GERL*
**Th. Minerva**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-52
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE, : JUICE*
**Veronica Sougrakpam**
Class: IX,
Sec : A,
Roll No- 4
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,.: FOOD*
**Beeta Khaibem**
Class: IX,
Sec : B,
Roll No-50
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE,: HAPPY FAMILY*
**Harshika**
Class: II,
Sec : B,
Roll No-12
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,:A BOY*
**Pangambam Prakash Meitei**
Class: IV,
Roll No-6
School : LAISHRAM MANI MEMORIAL ENGLISH ACADAMY





*TITLE,: SCENERY*
**Bosnea Elangbam**
Class: IV,
Sec : B
Roll No-6
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: ROSE*
**Heiyainu Chanu**
Class: III,
Sec : B,
Roll No-7
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN






*TITLE,:WATER FALL*
**L. Dillan**
Class: IX,
Sec : B,
Roll No-17
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE,: SCENERY*
**Reechie Achom**
Class: VII,
Sec : C,
Roll No-7
School: UNACCO SCHOOL KHONG-MAN





*TITLE,:GIRL PLAYING VIOLIN*
**RK. Tomthinnganbi**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-2
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN



OFFER OFFER

EYE CHECKUP + HIGH QUALITY EYEGLASSES + HIGH QUALITY FRAME. VisionworKs, which is located opposite to Babina Diagnostics, RIMS Road is giving an exclusive offer. Eye check up by an experienced and certified Optometrist, new high quality frame manufactured by a certified company along with warranty and high quality single vision or bifocal lenses prescribed by our Optometrist or any other Ophthalmologist. All these above at just the cost of ₹1000/- only. All these products have been obtained by us by sidelining the distributor, wholeseller, retailer and directly from the company for the benefit of the people of Manipur. Kindly avail this opportunity at the earliest.

VisionworKs

RIMS Road Opposite Babina Diagnostic
Imphal West District, Lamphel – 795004
Cells: +91-801-4729659/986-2101656/985-6999784

SL/B(K)/20...15D.Alt

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com